থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# ঈশ্বরগী খূৎশেম অমদি ঐ



ঈশ্বর হায়বসিবু করিনো? পূম্নমকপু শেম্বীবা মপূ অদু ঈশ্বরনি। পূম্নমক্না হায়নবা, খঙনরবা ৱাফমনি। লাই লৈ নৎত্রগা লৈতে। য়েৎনবগী লোইবা নাইদবা, ঙসিসু য়েৎনরিবা, হয়েংসু য়েৎনখিগদবা ৱাফমনি। ঐ ইশামক্কী ওইনদি 'লাই লৈতে' হায়না থাজজবা মীওই কাঙলূপ অদুদা চল্লবসু 'লাই নীংবা মী অমা' হায়বদুদি ওই খঞ্জরিবা মীশকনি। অতাবা মী, মরুপ-মপাং, ইমুং-মনুংনা খ্বাইদই শাউনীংবা, য়ানীংদবা ৱাহৈনি। ঐ য়াই। ঐগী ৱা মখোয়না য়ানীংদবদু ঐ য়াই। অদুবু, মখোয়নদি য়াদে। মখোয়গী ৱা ঐনা য়াবদু মখোয় য়াদে। হায়বদি, লৈতে হায়জরিবা লাই অদু নীংবদু মখোয় য়ানীংদে। য়ানদবা হায়বসি ঙাঙনরিবা অনীগী মরক্তা পাউ ফাওনদবদুনা তৌরিবনি। ফাওনদ্রিবা পাউ অদু ফাওননবা পাউদমনি ঙসি তমগে হোৎনজরিবা।

ঐনা নীংজরিবা ঈশ্বরদুদি, ঐবু শেম্বীরম্লগা ঐঙোন্দগী তোখায়না নায়তোম মন্দিরদা, চর্চতা, মসজিৎ'তা লৈখ্রবা ঈশ্বর অদু নত্তে। মহাক্না শেম্বা খূৎশেমদুগা, মশামক্কা থানদনা শেত্তোক্লবা ঙমদনা অমত্তা ওইনা লৈরিবা শেম্বীবা মপু অদুনি ঐনা নীংজরুবা ঈশ্বরদি। ঈশ্বরগা মহাক্কী খূৎশেম অদুগা লৈনবা মরীদু করিনো? অদোম করিগুম্বদা খন্থবীখ্রবরা? ঐদি খল্লি-জগোয় শাবা অমগা মহাক্না শেম্বা জগোয়দুগা লৈনবা মরী অদুনি। জগোয় শাবা অদুদগী জগোয়দু তোঙান্না শেত্তোকপা য়াবরা? জগোয়-শঙ অদুদা জগোয়দু হুন্দোক্লম্লগা, জগোয় শাবদু ময়ূমদা হল্লকপা ঙম্বরা? মুর্ত্তি শাবা অমগা মহাক্না শাবা মুর্ত্তিগা, শৈরেং ইবা অমগা মানা ইবা শৈরেংগা - অনীসিদি কৈদৌনুংদা অমত্তা ওইয়ু য়ারোই। মতাংসিদনি ঐ অমদি ঈশ্বর অনীসি অমত্তা ওইনা উরক্লিবা। লাইবু খঙনবা হোৎনবা অরায়বা থবক ওইরমদে। ইশাবু খঙনবা হোৎনবনা হেন্না লুবা ওইরম্মী। ঐবু থিনবা হোৎনবদা লাই থিবা তোকখিবনি।

লাইগী ৱা খল্লুবদা ৱারী অমা নীংশিংলকই। সিখ ধর্ম্ম হৌদোকখিবা গুরু নানক্কী ৱারীনি। নানক, লল্লোনবা অমগী মচানি। অঙাং পিশক ওইরিঙৈদগী মীমান্নদবা অঙাং ওইরকই। অহল ওইরবা লাইনীংবশিংগী মনাক্তা লৈজবনা হেন্না পাম্লকই। লাইশোন ঈশৈ শকচবা মানা খ্বাইদই পামজবনি। মপা ইবুংঙো, 'কালে মেহতা' না মচাবু লল্লোন-ইতিক্কী শিনফমদা পুশিন্নবা কয়ারক হন্না হোৎনখি।

নোংমগী নুমিৎ অমা নানকপু, মমান্নবা খরগা থংনবা খুল অমদা য়োন্নবা অচা-অথক্কী পোৎ খরা তীক্লুনবা থারকখি লুপা কুনখক পীদুনা। লুপা কুন, মতমদুদা য়াল্লবা শেনফম অমনি। অহোঙবা মমলদা লৌরগা, অতাঙবা মমলদা য়োন্দুনা অহেনবা শেন্দোং তানবনা লল্লোনবগী পান্দমনি। পোৎ তিক্লুরগা ময়ূম তম্না হল্লকপগী লম্বীদা লাইনীংবা সন্যাসি কাঙবু অমা ঈশ্বরগী মীং শোল্লদুনা লৈরম্বদু থেংনরে। কোরৌ নুমিৎ কয়ানি চাবা ফংলক্ত্রবা লাইনীংবশিংদুদা হঙ্গৎলুই, মফমদুদা অরেম্বদা ফমদুনা, ঈশ্বরগী মীংখৈ শোন্দুনা লাইরৈপাক্তে অচা-অথক থাদরকপা ঙাইবদুনা কান্নরোই, মাগা লোয়ননা চৎলসি, ময়ূম শঙ্গায় য়ৌরগা মখোয় পূম্নমকপু মপুক থন্না পীজগে।

সন্যাসিশিংদুনা খুল্লকই, 'নীংজরিবা ঈশ্বর মানা, থাজবা পীরকই ঐখোয়দা, মানা নীংলকপা মীকূপ্তা কনাগুম্বা অমা থারক্কনি, ঐখোয়গী অরাম্বা কোকহল্লগনি... মীকূপ্তুনি ঙাইরিবা, নুমিৎ কয়া, থা কয়া চরা হেনবদা চিংনদে, মাগী য়াথং ঙাকপদা থৱায় অসি থারসু করিমত্তা চিংনদে...।

নানক্না মথন্তা খল্লকখি... 'ইপাবুংনা পাম্লিবা পোৎশিং অসি য়োল্লগা ফংগদবা শেন্দোং অদুনি, অসিগুম্বা লাইনীংবা ময়াম, অমকপা পূক্লিং য়াওদবা, মখোয়গী অরাম-খৌরাং কোকহনবা-সিদই হেন্না কান্নবা, মহয় ফংবা থবক্তি অনী শুনা লৈররোই... পাবুংনা হায়খি ঐখোয়না লল্লোনবই থবক তৌরিবা, শেন্দোং তাল্লগা কান্নবা অমা তৌনবনি...'।

ৱাখলসিনা মাঙওইনদুনা, মহাক্না পুরকপা অচা-অথক ঙম্নমক সাধু-সন্যাস ময়ামদুদা লোইনা পীজথোকখ্রে। মমান্নবা 'বালা'না খান্মী, 'করিনো নানক, নঙনা তৌরিবসিবো! ঙাওরবরা নহাকপু?'

পুমহাঙ হাঙনা হল্লকপদু উবদা মৈ হৌখি কালে মহেতা, 'নঙমুক পঙবা মীসিবু মালেমগী কদায়দা লৈরমখিগদগে? নঙবু ইচা ওইরুবা, মূৎপা তারে ইমুংসে'।

নানক'না খুল্লকখি, 'সিবু হেনবা কর্ম্ম-ফল, অনী শুরোই মালেমদা। 'মাঙলেদনা ইচাসে! করম হায়না কনগনি?' ৱাখল ফুম্বংনদুনা, মপাবুংনা খল্লকই ... 'লুহোংথোকপীদুনা, ময়ূম-মকৈ পালহল্লগা, মচা-মশু লৈর'তুং তাইবঙপানসি মশক খঙলক্কনি, থিন্দনা লুহোংবীরগে'।

মপাগী য়াথং ইনখি নানক। লুহোংখি। মচা পোকখি। অদুবু, যূম্বান পুন্সি অদুনা নানকপু হোংহনবদি ঙমখিদে। সংসারসিদা ঈশ্বর উখি নানক'না। অসিগুম্বা মীশক অমবু কনানা মাঙথোক'ঙমগনি?

নানক'না হায়, 'অকিবা হায়বসি নরকনি, অকিবা মশক খঙদবা হায়বসি ঈশ্বর মশক খঙবনি'। ৱাহৈ অসি ঐনা হায়বা ওইরম্লবা কনানসু লৌরম্লোই। ঐগী ৱাসু, নঙগী ৱাসু, মাগী ৱাসু অশেঙবা থম্মোয়দগী থোরক্লবা, ঈশ্বরগী ৱাহৈদুমকনি। উপাল অমগী মখাদা ইদোম তূমিন ফম্লিঙৈ, ইকোকসিদা ক্বাক্না মথী ফায়থরকপা, ঐগী হকচাং অসিবু মাংলবা হকচাং কৌগদ্রা? খন্থবীয়ু অমুক্তা। পাউখুম পীবিরক্কনু।

লৌশিং পুক্কৈ

# ২০১৯ নোভেল কোরোনাভাইরস




মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ৩১দা চাইনাগী হুবৈ প্রোভিন্সতা লৈবা ৱুহান সিতিদা ন্যুমোনিয়া নাবগী কেস কয়ামরুম লৈরে হায়বগী রিপোর্ট অমা ৱার্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনদা লাকখি। হায়রিবা লায়না লাইচৎ অসিবু থোকহল্লিবা ভাইরস অদু হান্না খঙলবা ভাইরস অমত্তগা মান্নরমদে।

মসিগী মতুং চয়োল অমা লৈরগা চাইনিজ ওথোরিটিশিংনা অনৌবা ভাইরস অমা আইদেন্টিফাই তৌরে হায়না কনফার্ম তৌখি। হায়রিবা অনৌবা ভাইরস অসি কোরোনাভাইরসকী ফেমিলিনি হায়বা খঙবা ঙমখি। ভাইরস অসিবু টেম্পরেরি ওইনা ২০১৯ নোভেল কোরোনাভাইরস (2019-nCoV) হায়না মমিং থোল্লি।

চাইনাগী ৱুহান সিটিদা ইহান হান্না থেংনখিবা ভাইরস অসি য়াম্না খোঙজেল য়াঙনা শন্দোরক্তুনা মালেমগী মফম কয়াদা য়ৌরকখি। হৌজিক ফাওবদা মালেমগী ওইনা ভাইরস অসিনা নাবা মীগী মশিং পূন্না ৩০০০ হেনখ্রে অদুগা শিখিবা মীশিংনা ৮০ শুখ্রে। ভাইরস অসিনা থোকহল্লিবা লায়না লাইচৎ অসিগী মতাংদা তঙাইফদনা খঙবা য়াবা খরা মখাদা থল্লি।

লাইচৎ অসি কোরোনাভাইরস ষ্ট্রেন অমনা থোকহনবনি। ষ্ট্রেন অসি হৌজিক্কী ওইনা '2019-nCoV' হায়না মমিং থোল্লি। মসি মীওইবদা য়াম্না শাথিবা লাইনা-লাইওং থোকহনবা কোরোনাভাইরস ষ্ট্রেন অহুমগী মনুংদা অমনি, অতোপ্পা অনী অদুনা সিভিয়র এক্যুট রেস্পিরেটরি সিন্দ্রোম (SARS) অমদি মিদল ইষ্ট রেস্পিরেটরি সিন্দ্রোম (MERS) অসিনি।

কোরোনাভাইরসশিং অসি উৎ, সিভিট অমদি শেকপীগুম্বা শাশিংদগী হৌরকপনি, মখোয় অসি মীওইবদা শন্দোক্কন্দে। অদুবু করিগুম্বা মতমদা কোরোনাভাইরস অমা ম্যুটেট তৌখিদুনা শাশিংদগী মীওইবদা শন্দোকপা ঙল্লকখি, মসিদগী অমুক মীওই অমদগী মীওই অমদা মথং-মথং শন্দোরকপনা লাইনা লাইচৎ থোক্লকই।

সেন্টর ফোর দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সন (সী দি সী)গী মতুংইন্না ২০১৯ নোভেল কোরোনাভাইরসনা শোকহল্লবা মীওইশিংদা লাইহৌ, লোক খূবা অমদি নীংশা চনীং-চমাঙ শম্নদবনচিংবা সিম্পটোমশিং উবা ফংবা য়াই। ভাইরস অসিনা চঙখ্রবা মতুংদা নুমিৎ নীনিদগীনা নুমিৎ ১৪নি ফাওবগী মনুংদা সিম্পটোমশিং উৎলকপা য়াই হায়না সী দি সীনা হায়রি। ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গানাইজেসনগী মতুংইন্না সিভিয়র ওইবা কেসশিংদা ন্যুমোনিয়া, কিদনি ফেলিয়র অমদি শিবা ফাওবা য়াওই।

ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনগী ইমর্জেন্সি কম্মিটি ওন কোরোনাভাইরসনা হায়বগী মতুংইন্না ভাইরস অসিনা শোকহল্লবা মীওইশিংগী শরুক মরী থোকপগী অহুমলোমদি মশাগী চহী ৪০গী মথক্তা লৈবা মীওইশিংনি, অদুগা শিখিবা মীওইশিংগী মরক্তা কয়া অমদি কার্দিওভাস্কুলর দিজিজ অমদি দাইবেটিসকুম্বা অতোপ্পা হকশেলগী কন্দিসনশিং লৈবা মীওইশিংনি হায়রি। অদুবু মশা-মউ ফবা অমদি নহা ওইরিবা মীওইশিংদসু ভাইরস অসিনা শোকহল্লি হায়না কনফার্ম তৌরে।

**লায়না অসি করম্না শন্দোকপগে**

কোরোনাভাইরসশিং অসি উৎ, ষন, হৌদোঙ অমদি শেকপী য়াওনা তোঙান তোঙানবা শাশিংদা য়াম্না কম্মন ওইনা ফংবা ভাইরসকী য়াম্না চাউবা কাঙলুপ অমনি। কোরোনাভাইরসশিংনা শা-ষনশিংদগী মীওইবদা শন্দোরকপা হায়বসি য়াম্না তাঙনা থোকই। 2019-nCov অসি শা-ষনশিংদগী মীওইবদা শন্দোরক্লে, মসিদগী অমুক মীওইবা মশেলগী মরক্তসু শন্দোক্লে হায়না কনফার্ম তৌখ্রে। অদুবু মীওইবা মশেলগী মরক্তা কয়াম লায়না শন্দোকপগে হায়বগী মতাংদদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। চাইনিজ ওফিসলশিংনদি মীওই অমদগী মীওই অমদা য়াম্না লায়না শন্দোকপা ঙম্মী হায়না রিপোর্ট তৌরি। অদুবু য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতদি মীওই অমদগী মীওই অমদা শন্দোকপগী রিপোর্ট হৌজিকফাওবগী ওইনা লৈত্রি হায়রি।

মমাঙদা MERS অমসুং SARS গী মতাংদা ওইখিবা মীওই অমদগী মীওই অমদা শন্দোকপগী মওং অদুদি ইনফ্লুএঞ্জা অমদি অতৈ রেস্পিরেটরি পেথোজোনশিংনা শন্দোকপগী মওংগা চপ মান্ননা ভাইরসশিং অসিনা শোকহল্লবা মীওই অমনা লোক খূবা নৎত্রগ হাকথি খনবা মতমদা তিল অমদি লোক্লচিংবদগী মরুওইনা শন্দোকই। অদুবু ভাইরস অমনা মীওই অমদগী অমদা কয়াম লায়না শন্দোকপা ঙম্বগে হায়বসিদি ভাইরস মখল খেন্নবগী মতুংইন্না মান্নদবা য়াই হায়বসি নীংশিংগদবনি। ভাইরস খরদি য়াম্না লৌনগল্লি অদুগা অতোপ্পা খরা অমনা কয়া লৌনগন্দে।

**প্রিভেন্সন:** হৌজিকমক্কী ওইনদি ভাইরস অসিদগী ঙাকথোক্লবা ভেক্সিন লৈত্রি। নারক্তনবা খ্বাইদগী ফবা পান্থৈদি ভাইরস অসিদা এক্সপোজ তৌদনবা হোৎনবা অসিনা ওইরি। সী দি সীনা রিকম্মেন্দ তৌবগী মতুংইন্না ইশা-ইশানা তৌবা য়াবশিং মখাদা পীরি: শাপোন শীজিন্নদুনা য়ামদ্রবদা সেকেন্দ ২০ চঙনা খূৎ-শা তোয়না হামদোক্কদবনি, সাপোন অমদি ঈশিং ফংদ্রগনা অলকোহোল-বেজ হেন্দ সেনিটাইজর শীজিন্নগদবনি; হামদবা খূৎনা মীৎ, নাতোন অমদি চীনদা শোক্লোইদবনি; অনাবা মীওইশিংগা য়াম্না নক্না লোইনরোইদবনি; হকচাং ঙমদ্রবদি যূমদা লৈগদবনি; লোক খূবা নৎত্রগা হাকথী খনবদা টিসু পেপর শীজিন্নদুনা খনগদবনি অদুগা টিসু পেপর অদু মফম চানা হুন্দোক্কদবনি; তোয়না পায়বা-থেংবা তৌবা পোৎলমশিং শেংদোকপা অমদি দিসইনফেক্ট তৌগদবনি।

**লায়েং:** হৌজিকফাওবগী ওইনা 2019-nCoV ইনফেক্সনগী অকক্নবা এন্টিভাইরেল ট্রিটমেন্ট লৈত্রি। নারবা মীওইশিংদা উৎলক্লিবা সিম্পটোমশিং অদু হন্থহন্নবা লায়েং চথগদবনি। য়াম্না কন্না নারগদি ভাইটেল ওর্গান ফঙ্কসনদা সপোর্ট তৌনবা অনা-লায়েং চথবা মথৌ তাই।

ইশাদা 2019-nCoV অসিনা ইনফেক্ট তৌরে হায়না খল্লগদি মনাক নকপা অনা-লায়েংশঙদা য়াম্না থুনা পাউ ফাওবীগদবনি।

# অঙাং হায়বসি নিংথাদগী খঙই হায়বা ইপা ইপুশিংগী পাউরৌ লৈরি : সনাজাওবা

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৭ (ঐচ এন এস): অঙাং হায়বসি নিংথাগী খঙই হায়বা পাউরৌ লৈরিবনি হায়না মণিপুরগী নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা ঙসি ইবোইয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা পাঙথোকখিবা ইমা মচেৎ ইচা তংখায় ফিল্মগী থৌনি থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

লুৱাং ফিল্মস প্রদক্সন, সগোলবন্দ ৱাহেংবম লৈকায়না শীন্দুনা শিবা লুৱাং প্রজেন্টসকী অহানবা ওইনা পুথোক্কদবা ফিল্ম অসিগী থৌনি থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা মৈদিংঙু লৈশেম্বা সনাজাওবনা হায়খি, ইমা মচেৎ ইচা তংখায় ফিল্ম অসি থা ১ দা নম্বা লোইগনি হায়বসি নুংঙাইবা পোকই। ফিল্ম অসি ঙসি ফাওবদা পুথোরক্লিবা ফিল্মশিংদগী তোপ-তোপ্পা মহাও অমা অমদি পাউজেল লৈগনি থাজে। অঙাং শাগদৌরিবা লুৱাংথোইবী অসি অঙাং ওইরিঙৈদগী তোঙানবা অমা য়াওরি। অঙাংদি নিংথাদগী খঙই হায়বদু ফিল্ম অসিদসু উবা ফংগনি। ইচাশিংদা য়াওরিবা টেলেন্ট উৎথোক্লবা হোৎনগদবনি। অঙাংশিং মোবাইলদা ঙাওবা, গেম শান্নবদা ঙাওবা কয়া অমা ওইরি। মশা-মউ ফনবা হোৎনবা তঙাইফদে। অঙাংশিংদা মেসেজ পীগনি থাজে। মীয়াম্নসু য়েংবদা নুংঙাইতবা ফিজেৎ-চাকচা নৎত্রগা গাড়ী তোংবদা ওইরবসু, শমকক্তসু ওইরবসু চেকশিনসি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা নবা ৱারেপ্পা পদ্মশ্রীনা প্রসিদেন্ট ওইখি। লুৱাং ফিল্মস প্রদক্সন এদভাইজর নামোইজম তোম্বা অমদি ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী ভাইস চ্যেরমেন বিরেন্দ্র সলামনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি। ফিল্ম প্রদ্যুসর চিংশুবম খুমনলৈমা, অইবা রঞ্জিৎ নিংথৌজা অমদি দিরেক্টরদা মোহেশ্বরীনি। শজিক থাবাদা লুৱাংথোইবী চনু, লৈবাকচাওদা গোকুল, সনাহলদা বোনি, থম্বালদা অবেনাও, শকহেনবীদা সোমা, হোমেশ্বরী, ইধৌ, জয়বিদ্যা, লোকেন, ললিতাবি, শান্তাজিৎ, প্রেম পাঙ্গৈ য়াওরি। ম্যুজিক্তা নোংমাইথেম ইবোমচা অমদি ননাও, ঈশৈদা লৈখিদ্রবা বিরমঙ্গোল মেকোলা অমসুং রাজমনি অয়েকপম, মেক অপতা পোইজন, কষ্ট্যুমদা গালিফা, কোরিওগ্রাফতা মেনেকা, ইদিটরদা রাগেননি।

# আর ও পি ওর্দর থোক্ত্রবদি খোঙজং চঙশিনগনি : দেবজানি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৭ (ঐচ এন এস): থা অসিগী ৩১ ফাওবদা ওজাশিংগী আর ও পি ওর্দর থোক্ত্রবদি মথংগী নুমীৎতা লৈঙাক্তা কোক চিকহনবা খোঙজং কয়া চঙশিনগনি হায়না জোইন্ট বোদি ওফ প্রাইমারী গ্রেজ্যুএট টিচর অমদি লেকচর অমসুং এস এস এ, আর এম এস এগী ৱাঙাংলোয় নাওরেম দেবজানিনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী হোলদা পাউমীশিংগা উনবদা দেবজানিনা হায়খি, কুমজা ২০১৯ দা ফাইনান্স দিপার্টমেন্টনা ওজাশিংদা চৈথেং পীবা মানবা আর ও পিদা মঙাশুবা পে কম্মিসনগী পে পীগনি হায়বা য়াওখি। য়ানিংদবদগী জোনষ্টোন স্কুলদা মীফম পাঙথোকখি। ৭শুবা পে লাক্লগনি হায়বগী নুংঙাইবদু ওজাশিংদা ফাওখি। মসিগী ওন্ন-তৈনবদা ওজাশিংবু মীরাইবা অমদি হন্থনা য়েংবা মওংদা দিপার্টমেন্টনা আর ও পি থোরকপনি। ওজাশিংগী ওইবা অচৌবা রেল্লি অমা জুলাই ২৫দা চৎখি। এদ্যুকেসন মিনিষ্টর উনদুনা মেমোরেন্দম পীশিনখি। এদ্যুকেসন মিনিষ্টর মশানা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়না তকশিনখি। থাজবা পীরকখিবশিংদগী খোঙজং হন্দোক্তুনা লাকখিবনি। ফাইনান্স মিনিষ্টর অমদি এদ্যুকেসন মিনিষ্টরগসু কয়ারক ফম্মিন্নরে। ঙসি ফাওবা ওর্দর থোক্তনা লৈরি। ওজাশিংবু নমথবীবা য়ানিংদে। ইমপ্লোয়ীশিংগী ইন্টরেষ্ট শোক্তনবা অতৈ দিপার্টমেন্টকীদি হোৎনরগা ওজাশিংগীনা মীৎয়েং চঙবীদ্রে।

বি জে পি লৈঙাক অসি সেন্টরদসু মণিপুরদসু লৈরিবনি। বি জে পি লৈঙাক্না ৱান নেসন ৱান মার্কেট হায়বা দোক্যুমেন্ট নীংশিংবীয়ু। ওজাশিংদা হন্থনা য়েংবা হেনমল্লে। থা অসিগী ৩১ ফাওবদা আর ও পি ওর্দর থোক্ত্রবদি খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

# ইমপ্লোয়ীশিংনা থবক লেপ্পগী খোঙজং চঙশিল্লগনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৭ (ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্কী দিরেক্টোরেট ওফ ইমপ্লোয়মেন্টকী হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট/দি দি ও অমদি দিষ্ট্রিক্ট ইমপ্লোয়মেন্ট এক্সচেঞ্জ মঙাগী দি দি ও/হেদ ওফ ওফিস লৈতবনা কুমজা ২০১৯গী সেপ্টেম্বর থাদগী ঙসি ফাওবা ইমপ্লোয়ীশিংগী সেলেরি ফংদবা অমদি মরুওইবা থবক কয়া পাঙথোকপা য়াদবগী মতাংদা লৈঙাক্তা অইবা চে পীদুনা খঙহল্লবসু মতিক চাবা থবক লৌখৎপা লৈত্রি। মরম অসিনা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী জন্যুৱারী ২৯ ফাওবদা করি করম্বা থৌরাংশিং লৌখৎপগে হায়বদু য়েংলগা জন্যুৱারী ৩০দগীদি মতম কক্তনা দিরেক্টোরেট অসিগী ইমপ্লোয়ীশিংনা থবক লেপ্পগী খোঙজং চঙশিল্লগনি। মসিদা খুদোংচাদবা থোক্লকপা অসিগীদমক থবক থিরিবশিং অমদি মীয়াম্না ঙাকপীগনি হায়নসু মণিপুর ইমপ্লোয়মেন্ট সর্ভিস এসোসিএসনগী চ্যেরপর্সন কে বসুনধারা অমসুং জেনরেল সেক্রেটরি এন সদানন্দনা পুন্না খুৎয়েক পীরগা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

# রোজর মেমোরিয়ল ব্লদ দোনেসন কেম্প পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৭ (ঐচ এন এস): রোজর মেমোরিয়ল ট্রষ্ট ইম্ফালনা ষ্টেট ব্লদ সেল এন ঐচ এম অমদি রিমসকী দিপার্টমেন্ট ওফ ট্রান্সফ্যুজন মেদিসিনগা খুৎশম্নরগা হয়েং অয়ুক পুং ১০ তাবদা রিমস হোস্পিটালদা ভলন্টরি ব্লদ দোনেসন কেম্প অমা পাঙথোক্লগনি হায়না ট্রষ্ট অসিগী সেক্রেটরি ইরোম ওংবী চিত্রানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কেম্প অসি হৌদোকপগী থৌরমদা রিমসকী ট্রান্সফ্যুজন মেদিসিনগী হেদ ডা. বারিন্দ্রনা অথোইবা মীথুংলেন অমদি ট্রষ্ট অসিগী এদভাইজর নিংথৌজম চাওবনা থৌরম মপু ওইগনি। সোসল এক্টিভিষ্ট অমা ওইরিবা হ্যুমেন ইনিসিএটিভ মণিপুরগী এদভাইজর কামিনিকুমারনা অখন্নবা মীথুংলেন ওইগনি। খুদক্কী ওইবা খুদোংথিবা অমদি অৱাবা তারবা ইমুংশিংদা অনা-লায়েংবগী মতমদা হোস্পিটালদা ঈ ৱাৎপগী অৱাবা মায়োক্লবদা খরদা ওইরবসু মতেং পাংবা ঙম্নবগীদমক লৈখিদ্রবা রোজর ইরোমগী ২৮শুবা কুমওনগা মরী লৈননা কেম্প অসি পাঙথোকপনি হায়রি।

# মণিপুরদা য়ুঙাংগী গোদাউন থম্বগী মায়োক্তা লেপকনি : নুপী সমাজ

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৭ (ঐচ এন এস): মণিপুরদা য়ুঙাংগী গোদাউন থম্বগী মায়োক্তা লেপকনি হায়না ওল মণিপুর ৱিমেন সোসল রিফোর্মেসন এন্দ দিভলপমেন্ট সমাজ (নুপী সমাজ)গী জেনরেল সেক্রেটরি পি সোবিতানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মণিপুরদা য়ুঙাংগী গোদাউন থম্বগী মাঙজবা মমাংথক্তা খঙহনখ্রবনি। মীয়ামগী পুন্সিগা শেলগা মন্তিক্লরোইদবনি। মণিপুরদা য়ু পাক্তক্লনা শীজিন্নবা হৌরকপদগী খুন্নাই লৈখা তারকপা, ইমুং-মনুং কাং-খোং চাইরকপা কয়া লৈখ্রবনি। য়ুদা লাইচুবদগী মনুং মতম চাদনা মীওই কয়া লৈখিদবগী থৌদোক থোকখ্রে। ইমুং-মনুংগী মচা-মশুগী থৌদা পাংদুনা ঈংনা চিক্লা লৈজবা পামজবা লমদম অসিগী মমা ওইবী কয়া মপুরোইবা অমদি মচা-মশুশিংনা য়ুদা লাইচুখিবদগী থোক্লকপা থোকহন্নিংদবা ৱাথোক কয়া নোংম-নোংমগী হেনগৎলকখি। কুমজা ১৯৭০গী হৌগৎলকপা মতমদগী য়ুগী মায়োক্তা থৌদাং লৌবা তারকখি। নুপী ওইবীশিংনা পুনশিন্দুনা নিশা বন্দিগী শক্লোন লৌরকখিবা লমদমসিগী পুৱারীদা ময়েক লানা উবা ফংলিবনি।

মসিগী পাউখুম ওইনা কুমজা ১৯৭২ দা নুপী সমাজ পোক্লকখি। নুপী সমাজনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী মায়োক্তা লৌরকখিবা থৌদাং শীংথানবা অমা ওইনা লাকখি। লমদমসিগী নুপাশিং ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী ঈপাক্তগী কল্লক্তুনা অওনবা মণিপুর অমা পুরকপা ঙমখিবনি। মণিপুরগী নুপী মীয়াম্না লৈকায়-লৈকায়দা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী মায়োক্তা হৌরকখিবা ঈহৌনা লমদমসিদগী ময়াই কাবা চীঞ্জাকপু মরু ফংনা মুথৎনবা হোৎনবদা অচৌবা মায় পাকপা পুরকখিবনি। ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী ফৎতবশিং অমসুং মীয়ামগী পূক্লিং-ইহুল খঙদুনা কুমজা ১৯৯১ দা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীনা মণিপুর লিকর প্রোহিবিসন এক্ট পাস তৌখি। দ্রাই ষ্টেট লাউথোকখি। এক্ট অসি থবক্তা ওন্থোক্লবা লৈঙাক্কী এজেন্সীশিং, এক্সাইজ দিপার্টমেন্ট, মণিপুর পুলিস অমদি মরী লৈনবা কয়া লৈরি। দ্রাই ষ্টেট ওইরবসু মফম খুদিংমক্তা য়ু য়োন্দুনা লৈরি। দ্রাই ষ্টেটকী ৱাহন্থোক লৈহন্দ্রি। মণিপুরদা শেঞ্জাও পায়বশিংগা লৌতুনরগা ফোংনা য়ুঙাং পৈফম কয়া শেমগৎলকপদগী য়ুঙাং পৈফম কয়া মুথৎখিবা মীয়াম্না কাউনদ্রি। মীয়াম্না হৌরকখিবা ঈহৌনা মুথৎখিবা কয়া অদু কাউনদ্রি। সিফাইশিংগী থক্নবা য়ুঙাংশিং দিমাপুরদা ৱেয়র হাউস শাদুনা পুশিল্লক্কনি হায়বা তারবসু ঙসিদি সিফাইশিংগী মিংদা মীয়ামদা চাইথোরকপদগী য়ুঙাং মফম-মফম খুদিংমক্তা তাওদুনা ফংলি। দিমাপুরদা বোন্দেদ ৱেয়র হাউস থমজরবসু মণিপুর লৈঙাক অমদি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা মথৌ নীংথিনা পাঙথোক্তবনা য়ুঙাং মরাং কায়না ফংহল্লি। দিমাপুরদা লৈবা ৱেয়র হাউস অসি মণিপুরদা পুশিন্দুনা কান্ননবা মণিপুর লৈঙাক্না ৱারেপ লৌরিবসিনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্তা লাইচুবা মশিং খঙদনা হেনগৎলক্তুনা লমদমসিদা হেন্না ঈরাং থোকহনগনি হায়বসি লৈঙাক্না খঙগদবনি হায়রি।

ADMISSION OPEN

LULLABY
A Child Care Cum Pre-School
Nagamapal RIMS Road Corner, Near Traffic Point

- A co-educational school for Playgroup, Pre-Nursery, Nursery and KG.
- 1 year scholarship to those aspiring students who stood 1st, 2nd and 3rd position in their respective classes.
- Total Child Care
- Nutritious Food
- Child Psycological Development
- Well Equipped Playing Facilities
- Accurate Teacher and Child Ratio
- Session starting from 6th February, 2020.

Kinder pool and twinkle kids system of education

Monthly Tution Fees are free for this academic year as an introductory offer.
6009103078

HL-P/4570/19-28jan.

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৮।০১।২০২০ ইং, লৈবাকপোকপা, অয়ুক পুং ৮.২২ফাওবা ফাইরেলগী ৩নি পানগনি, মতুং ৪নি পাল্লনি।

**মেষ :** মরুপ-মপাংগী মতেংনা শেল-থুমগী লম্দা কান্নবা ফংগনি, পাউ নুংঙাইগনি, নচা-ননাইগী লম্দা অমদি লৈঙাক্কী লম্দা পূক্লিং পেঞ্জগনি। মীয়াম্না য়াম্না য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**বৃষ :** নক্লবনা তেংবাঙবীবা ৱাৎলসু অমদি পাইরক্কী লৌশিং খরা শোল্লসু নিংবা থুংগনি, অফবা মফম ফংগনি অমদি লল্লোন ইতিক্তা চাওনা কান্নগনি। মীচং লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - নোল্লুক্না চৎলু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**মিথুন :** হকচাং নুংঙাইবা হেনগনি অমদি থৌনা ফুদোকপনা খুদোংচাবা হেন্না ফংগনি। অদুবু খাংবা কন্দ্রদি লন ময়েং তাবা য়াবা লৈগনি। য়েৎনবা য়াদে-কাউগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - অশা চাওগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**কর্কট :** অহৈ অশিং শারদি য়েক্লবা চাওখৎকনি অমদি মীৱা থাজরগনু কাইনবা নংগনি। শেল-থুমগী লম্দা অমদি মীয়ামগা লৈনবা মরমদদি চাওনা কান্নবা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**সিংহ :** খ্বাইদগী হেন্না নিংবা থুংগদবা নুমিৎনি অমদি কনানসু লাকচবা ঙমলোইদবা নুমিৎনি। মরুপ-মপাংগদি মরী ফবা ৱাৎকনি অদুবু পাইরক্কী লৌশিংদি য়াম্না লৈ ।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**কন্যা :** লাইবক ফবা হৌরে, খুৎচাও থাবা য়াগনি অমদি অনৌবা থবক্তা মায় ওনশিনবা মায় পাক্কনি। ৱা ঙাঙবদি হৈবা ৱাৎকনি অদুনা খন্থরগা ঙাঙথোকপা ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

**তুলা :** নীংবদি মপা চারোই অদুবু অদুবু ঙাঙথোকপদা রাশি য়াওবা অমদি তুংগী পোরম য়াৎপদি হৈগনি। হন্থবা লোইনরদি ময়েং তাগনি অমদি য়েৎপা শুকয়া য়াদে।
লৈশা পাখংশিংগী - থিবা হুম্বা কল্লু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**বৃশ্চিক :** অনৌ অনৌবা লৌশিং য়াম্না ফংগনি, মীয়ামগা মরী ফগৎলকই অমদি ইমুং-মনুং ৱা তানবনা হেন্না মায় পাকপা লৈগনি। মশক খঙদবা মী লোয়নবা চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**ধনু :** লাইবক ফগনি, ওইজ-ওইথক য়াম্না তানশিনবা য়াগনি। অনম তানবা অমদি কন্থি ফুদোকপদি মাঙজগনি অদুনা ঈংনা থৌ পাংউ। থবক্কীদমক লন কাইবা লাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী - পূক্লিং ফাথবনা শাফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

**মকর :** মরুপ-মপাংনা চানগনি, পন্দুনা লৈরুবা শেল-থুম ফংবা য়াবা লাক্কনি-খুদোংচাবা মাঙহনগনু। খুরৌ থাংবদি লৈ অদূনা থৌয়াম পুগনু অমদি মরম খঙদনা য়েৎকনু।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফবা ৱাৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**কুম্বা :** হরাওবা নুংঙাইবা, মীচং হেনগৎপগী নুংঙাইবা লৈগনি অমদি লল্লোন ইতিক্তা থোইনা মায় পাক্কনি। মরুপ মপাংনা য়াম্না লুনা তৌবিগনি। অরোনবদি ঙাঙথোক্কনু।
লৈশা পাখংশিংগী - তাশিনবদা ওইয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**মিন :** মীকোক থোংগনি, হনবা লৈতনা মাঙলোমদা চংশিল্লু-শোইদনা মায় পাক্কনি। অদুবু অনৌবা থবক্তি পায়গনু। লান্না থাজবনা মরুপকা নুংঙাইনরোই-চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - য়াকা য়েংনা চৎলু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/থোইদিং অমুবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।